### মৈ মমগনি

ইম্ফাল, জুন ৩০: জুলাই ১ গী অয়ুক পুং ৪.৩০ দগী অয়ুক পুং ৮.৩০ ফাওবা ১১ কে ভি বজার ফিদরনা কোনবা নাগামপাল লমাবম লৈকায়দগী হৌরগা থাংমৈবন্দ য়ুম্নাম লৈকায় ফাওবা মৈ মমগনি হায়না মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদকী চেরোল অমনা ফোঙদোক্লি।

### ইরগা থম্বা খক্তনা লো নত্তে : কোটিশ্বর

ইম্ফাল, জুন ৩০(ঐচ এন এস) :

ইরগা থম্বা অদুখক্তমক লো নত্তে, চীনবুংদা লৈরিবশিংসু লোনি হায়না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজ অমসুং এম এ এস এল এস এগী এগজিক্যুটিব চ্যেরমেন জষ্টিস নোংমৈকাপ্পম কোটিশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওঠোরিটি, ইম্ফাল ৱেষ্ট লিগেল সর্ভিসেস ওঠোরিটি অমসুং গর্ভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরি লেকচরর ৱেলফেয়র এসোসিএসননা শীন্দুনা ঙসি ইবোতোনসনা গার্লস হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখিবা ষ্টুদেন্টস লিগেল লিটরেসি ক্লব কম ৱান দে লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা জষ্টিস নোংমৈকাপ্পম কোটিশ্বরনা হায়খি, ইনিদয়াগী ওইনা লো ১০,০০০ রোম লৈরি। লো হায়বসি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনদা য়াওহন্দুনা শেম্লনি। কন্সটিট্যুসননা পীরিবা লোশিং ঐখোয়না খঙবা চঙই। রুল শেম্লিবা অসিসু লোনি। হৌজিক ৱর্ল্ড কপ পাঙথোক্লিবসি রুল অমগী মখাদনি। রুল য়াওদ্রবদি য়ারোই। পোৎ লৈরিবা অমদি পোৎকী মমল থারগা য়োল্লিবসি লোনি। শিবা ফাওবদা মীওইবনা লোগী ওইবা থবক পায়খৎলি। এক্সিদেন্টতা শিরিবা মীদু মৈ থাদ্রিঙৈদা পোষ্ট মোর্টেম তৌই, মসিসু লোনি। ইশানা ক্রাইম তৌরূদ্রগা মীনা তৌরকপদা কোর্ট কারি। অদুনা লো খঙদবা য়াদে। অনাবদা ডোক্টর মথৌ তাবদৌনা কোর্টতদি উকিল মথৌ তাই। উকিল হায়বসিদা শেল তিংবা, মতম মাঙবা ওইনা খল্লি। কোর্ট চৎপা হায়বসি নুংঙাইবদি নত্তে। চৎতবা য়াদবা মতাং লাকপদগী চৎলিবনি। উকিল হায়বসি পাউতাক পীবা অমনি। লান্না খনবসু ফত্তে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং দি এল এস এ ইম্ফাল ৱেষ্টকী চেরমেন এম মনোজকুমারনা হায়খি, লোনা য়াদবা থবক তৌরকপদা অফবা অঙাংশিংসু জেলদা চঙবা য়াওরি। মসি লো খঙদবগীনি। নুপানা চহী শুরবসু নুপীনা চহী শুদ্রবদি লোনা লুহোংবা য়াদে। মীওই কয়া জেলদা মপূন্সি মাঙবা য়াওরি। মসি লো খঙদবদগীনি। লোবু খঙনবা হোৎনগদবনি। হৌজিক মফম কয়াদা লিগেল এইদ ক্লিনিক হাংদোক্তুনা থল্লি। মসিদা চৎতুনা খঙনিংবশিং খঙবা য়াগনি। হৌজিক্তি উকিলগী ফীসু ৱাংলে। চৈরাপ কোর্টতা হাংলিবা ক্লিনিক অসিদসু চৎতুনা খঙবা য়াগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ইবোতোনসনা হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল এন প্রেমপিয়ারী, মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওঠোরিটিগী মেম্বর সেক্রেটরি আর কে মেমচাসু শরুক য়াখি।

### পুনশিন্নবদা য়ানখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০: পোলিটিকেল ওতোনোমি ফঙদ্রিফাওবা কুকি নেসনেল ওর্গানাইজেসন (কে এন ও) অমসুং য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) অনী অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা হায়না য়ান্নরে হায়না য়ু পি এপ অমসুং কে এন ওগী অপুনবা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। ঙরাং পাঙথোকখিবা ওর্গানাইজেসন অনী অসিগী অপুনবা মীফমদা অমনা অমদা নমফুদা আইদেন্টিটি ইমপোজ তৌনদবা হায়নসু য়ানখ্রে হায়রি। মীফম অদুদা কে এন ও অমুসং য়ু পি এফনা লাক্লিবা জুলাই ১০ ফাওবগী মনুংদা অমুক হন্না মীফম পাঙথোক্তুনা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগা তানরগা টেরিটরিএল কাউন্সিলগী মমিং খন্নবগী ৱাফমসু য়ান্নখ্রে হায়রি।

## GAS NEWS

**KHORIPHABA, NAMBOL**
Booking Uptodate
***Stk :306 (CTC)***
Timing :07.00am to 09.00am
(First Come First Serve)

**LEIBAKLEI GAS, KAKCHING**
Booking Upto:23/05/2018
Valid From:08/05/2018
***Stk :612***
Timing :07.30am to 11.00am

**MAHALAKSMI INDANE**
**SL.NO. UPTO 219753**
Booking Upto:22/05/2018
Valid From:15/05/2018
***Stk :612***
Timing :07.00am to 10.00am

**MAIBIA GAS MOIRANG**
**SL.NO. 5471-6280**
Booking Upto:28/05/2018
Valid From:25/05/2018
***Stk :306***
Timing :07.00am to 11.00am

**HIYANGTHANG INDANE**
Booking Upto:04/06/2018
Valid From:27/05/2018
***Stk :612***
Timing :07.00am to 10.30am
(First Come First Serve)

# এম য়ুগী ভি সী লৌথোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা এম য়ুগী অকোয়বদা খোঙচৎ চৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০(ঐচ এন এস) :

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসার এ পি পান্দে ফম থাদোকউ হায়বা দিমান্দদা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু), মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচরস এসোসিএসন (মুটা), মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টাফ এসোসিএসন (মুসা) অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী অকোয়বদা লৈবা ক্লব, মৈরা পায়বী য়াওনা পুন্না ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মুসু, মুটা অমদি মুসানা পুন্না শীন্দুনা পাঙথোকপা মীয়ামগী খোঙচৎ অদু এম য়ুগী ট্রাফিক আইলেন্দদগী হৌরগা এম য়ুগী মেনগেট তম্না নোংপোক পাংনা লাকখি। মেন গেটতগী অমুক নেসনল হায়ৱে নম্বর ১০২ তারগা অমুক হায়ৱেদা অৱাং পাংনা ককৱা কৈথেল তম্না লাকখি। শিংজমৈ পুলিসনসু পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা মীয়ামগী খোঙচৎ অদু শেন্নদুনা লাকখি।

ককৱা কৈথেল য়ৌরগা মফম অদুদগী অমুক মমায় লৈরগা ৱাকৎ খোঙচৎ অদু এম য়ু তম্না অমুক লাকখি। মীয়ামগী খোঙচৎ অদুনা লেপ্তুনা অমুক লাকপদগী এম য়ুগী ট্রাফিক আইলেন্দদা অমুক হন্না থুংখি। মফম অদুদা মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা মীয়াম অদু কায়নখি। মীফম অদুদা মরুওইনা ফোঙদোকখিবদি এম য়ুগী হৌজিক হেদ দিপার্টমেন্ট পায়রিবা তোঙান তোঙানবা প্রোফেসার তরেৎ রিজাইন তৌখ্রে। এম য়ুগী হৌজিক ওইরিবা ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসার এ পি পান্দে লৌথোক্লবা অমদি মশানা খঙনা রিজাইন তৌনবা হৌজিক চথরিবা খোঙজং অসি হেন্না কনবা খোঙজং চথনবা অমদি কোওপরেসন মুভমেন্টকী খোঙজং চথনবা লেপ্লখ্রে।

মীয়ামগী খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচরস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট আই তোম্বনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসিগী ৱাকৎ খোঙচৎ অসি মুসু, মুটা অমদি মুসানা শীন্দুনা অমসুং য়ুনিভর্সিটি অসিগী অকোয়বদা লৈবা ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিং য়াওনা পাঙথোকখিবনি। মীয়ামগী খোঙচৎ অসি চৎপগী মরুওইবা মরমদি এম য়ুগী ভি সী প্রোফেসার এ পি পান্দেবু মফম লৌথোক্লবগী চৎপনি। মসি ফাওবদা মশানা খঙনা ফম থাদোক্ত্রবদি হেন্না কনবা খোঙজং চথরগনি হায়রি।

ঙসি মীয়ামগী খোঙচৎ অদুদা ফেষ্টুল অমদি প্লে কার্দশিংদা ইখিবা ৱারোলশিংদি, বাই বাই এ পি পান্দে, সেভ দ লাইফ ওফ ষ্টুদেন্টস, মাস রেল্লি সেভ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, ব্রিং অমিকেবল সোল্যুসন ইম্মিদিএটলি, সেভ য়ুনিভর্সিটি, ৱি ফিল পিটি ফোর সো লোং অন্সটেবল, বেট্টর টু রিজাইন এন্দ জোইন পোলিটিক্স, সেক ভি সী পান্দে সেভ এম য়ু, রেজিগনেসন দিলে একাদেমীক দিনাই, মান কি বাট গর্ভর্ণমেন্ট ওপন আইস, দাউন দাউন ভি সী এ পি পান্দে সেভ এম য়ু, সেভ এম য়ু, নো টু বুলেট প্রুভ কার য়েস টু কম্পিটেন্ট ভি সী হায়বনচিংবা ইখি।

# য়ুনাকোনা অফবা মহৈরোয়শিং মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০(ঐচ এন এস) :

য়ুনাকো স্কুল অমদি য়ুনাকো ষ্টাফ এসোসিএসন খোংমননা শীন্দুনা ঙসি য়ুনাকো মল্টিপর্পজ হোলদা ১১রক শুবা খোংমন মেরিটোরিয়স এৱার্দ সেরমোনি ২০১৮ অমদি মরিরকশুবা ফেলিসিটেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখিবা রিটাইয়র্দ কম্মিস্নর পি ভোরোৎনা ফোঙদোকখিবদা, মহৈরোয়শিং ঙাক্তা ফবা অমদি ওজা ঙাক্তা ফবনসু য়াদে। পূম্নমক অমত্তা ওইনা চৎমিন্নবগা লোয়ননা তাথোক-তাশিন তৌনদুনা অফবা মহৈরোয়শিং পুথোক্লবা হোৎনবা চঙই। তুংগী য়ূম্বীরেল ওইগদৌরিবা নহাশিং শেমগৎকদবনি। রেকোর্দশিং ভেরিফিকেসনগী থবক স্কুল ওঠোরিটি অমদি পেরেন্টশিংনা নীংথিনা তৌবীয়ু। মহৈরোয়শিংনা অফবা লমচৎ চৎলবদি তৌগে হায়না খনবা থবকশিং শোয়দনা ফংগনি। লমচৎ শেম্বা হায়বসি স্কুল অমদি ইমুং-মনুংদগী হৌগদবনি। অফবা তম্বদি য়াম্না ৱাবনি, ফত্তবদি সেকেন্দ অমদা তানবা য়াবনি। য়ুনাকো কোলেজ ফাওবা হাংগনি হায়বসি য়ুনাকোগী চ্যেরমেনদা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

য়ুনাকো স্কুলগী চ্যেরমেন এন ইরাবন্তনা ফোঙদোকখিবদা, ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বতা কন্না হোৎনবদগী মায় পাক্লবা মহৈরোয়শিং ওকপনি। অফবা মীওই ওইগদবা ঙাক্তনি হায়না থাজে। ঙসি ফরে হায়রগা হয়েংসু ফঙ্গনি হায়বগী গরেন্টি লৈতে। ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ব পাস তৌবা হায়বসি হৌবদা ঙাইরিবনি। মহৈরোয়শিংনা চহী ১৬ তগী ২৫ ফাওবসিদা য়াম্না কন্না হোৎনগদবনি। ক্লাস টুয়েল্ব পাস তৌরবশিংনা লেমহৌরিবা চহী ৫ দা মাগী তুংগী লম্বী শেমগদৌরিবনি। খ্বাইদগী মরুওইবা মতমনি। মতম অসিদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চারকপা, ঙাওশিন্নবা তারবদি তৌরোইদবা ময়াম লাক্কনি। অফবা লম্বীদা লমজিংবা হায়বসি ঐখোয়গী পানদমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা খোংমন জোন-১ দগী ৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী এগজামদা মার্ক চাদা ৮০ অমদি মসিগী মথক্তা ফংবা মহৈরোয়শিংদা মনা পীদুনা তরাম্না ওকখি। শেলগী মনা অমসুং সর্টিফিকেটশিং পীখি। য়ুনাকো স্কুলগী পোজিসন লৌরক্লবা মহৈরোয় কয়াদসু লেপ্টোপ অমদি শেলগী মনা পীখি।

# আই টিগী নহারোলশিংগা ইন্টরেক্সন চথখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস):

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি এমএম অহলুৱালিয়ানা ঙসি ইম্ফালগী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা মণিপুর ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিদা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী লমগা মরী লৈননা থবক তৌরিবা লোকেল নহারোলশিংগা উনদুনা ৱারী-ৱাতাই শানখ্রে।

মিনিষ্টরগা ঙসি ইন্টরেক্সন চথখিবা নহারোলশিং অদু বিজিনেস প্রোসেস আউটসোর্সিং (বি পি ওশিং) দগীনি। বি পি ও অহুম অদুদি ক্ল্ব টেন টেক্নোলোজিজ প্রাইভেট লিমিটেদ, য়ুনিট্রান্স সোল্যুসন্স প্রাইভেট লিমিটেদ, ইম্ফাল অমসুং আর কে মার্ভিন কম্যুনিকেসন প্রাইভেট লিমিটেদ, ইম্ফালনি।

ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগা মরী লৈনবা নহারোলশিংগা উনবদুদা এম এম অহলুৱালিয়ানা হায়খি মদুদি, নোংমদি মীশিংনা ব্রান্দ অমা য়োন্নবা নৎত্রগা মীয়ামদা খঙহন্নবা তৌবদা কোয়চৎ চৎপগী তঙাইফদবা লৈররোই। মরমদি অসিগুম্বা থবকশিং হৌজিক্তি বিজিনেস প্রোসেস আউটসোর্সিং (বি পি ও) শিং অমসুং ওনলাইন সোপিং হায়নরিবা অচৌবা মার্কেট অসিনা তৌনরক্লে। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা মণিপুরগী মথক্কী বি পি ওশিং অসিনা লমদমসিগী নহারোলশিংদা কান্নবা ফংহন্দুনা ষ্টেট অসিগী শেল-থুমগী ফীভমসু ফগৎহল্লগনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী 'দিজিটেল ইন্দিয়া প্রোগ্রাম' না ষ্টেট অসিগী নুপামচাশিং অমসুং নুপীচমাশিংবু মখোয়গী মঙলানশিং মঙফাওনহনবদা মরুওইনা মখোয়গী হোম টাউনগা নক্লনা থবক তৌবা ফংহনবদা মতেং পাংলি হায়না মিনিষ্টর অহলুৱালিয়ানা মখা তাখি।

ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুগী মমাঙদা এম এম অহলুৱালিয়ানা আই টি পার্ক, মন্ত্রিপুখ্রি, ইম্ফালগী বি পি ও য়ুনিটশিং য়েংশিনখি।

# তেকচমদা মেদিকেল হেল্থ কেম্প পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, জুন ৩০:দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি থৌবাল অমসুং তেকচম গ্রাম পঞ্চায়ট অনীনা খূৎশম্নদুনা শীনবা নোংমগী ওইবা মেদিকেল হেল্থ কেম্প অমা ঙসি তেকচম হায় স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা মেদিলেক হেল্থ কেম্প অদু হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যোর মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন, ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী এম এল এ পাওনম ব্রোজেননা থৌরম মপূ, দেপ্যুটি কম্মিস্নর থৌবাল হাওবম রোশিতা, আই এ এস, হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডো. কে রাজো অমসুং দিরেক্টোরেট ওফ অয়ুশকী দিরেক্টর ডো. এ গনেশ্বর শর্ম্মনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীবদা ডো. এল জয়ন্তকুমারনা হায়, মালেম অসিদা লৈরিবা মীওইবা খুন্নাই অসি তিঞ্জং-কায়জংদনা নুংঙাই য়াইফনা থম্বদা খ্বাইদগী মরু ওইবদা হেল্থ সেক্টর চাউখৎহনবনি। দি সী হাওবম রোশিতানা হায়খিবদা, হন্দক থোকখিবা ঈশিং ঈচাওনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়া ঈশিংনা থুমজিনবা অমদি য়ূম-কৈ কয়া অতেক-অকায় থোকহনখি।

ঈচাও অদুনা মরম ওইরগা লায়না-তিন্না কয়া শন্দোরক্লদ্রা হায়না চিংনবদগী মেদিকেল হেল্থ কেম্প অসি পাঙথোকচবনি। অদুমকপু মতম চানা মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখিবনা লায়না-তিন্না পাক শন্না শন্দোকপগী অৱাবদি মায়োক্লখিদবা অসিমক য়াম্না লাইবক ফবনি হায়খি। মেদিকেল কেম্প অদুদা মীওই চা কয়া লেম্না লায়েংখিবগা লোয়ননা মথৌ তাবা হীদাক-লাংথকশিংসু পীখি। কেম্প অদুদা ও বি এস এন্দ গাইনে, ওপথামালমিক, মলেরিয়া, ঈ এন টি, টি বি, সর্জরি, মেদিসিন, অয়ুশনচিংবা দিপার্টমেন্টশিংগী ডোক্টরশিংনা শরুক য়াদুনা লায়েংখি।

# অঙাংশিংগী রাইট ফংহন্নবা হোৎনমিন্নসি : কোটিশ্বর

ইম্ফাল, জুন ৩০(ঐচ এন এস) :

অঙাংশিংদা পীরিবা চৈথেংশিং মরূ ফংনা মুখৎনবা হোৎনবগা লোয়ননা অঙাংশিংগী রাইট মপূং ফানা ফংহন্নবা ঐখোয় পূন্না হোৎনমিন্নসি হায়না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজ জষ্টিস এন কোটিশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

দিপার্টমেন্ট ওফ সোসল ৱেলফ্যের অমদি মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওঠোরিটিগী স্পোন্সরশিপ মখাদা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্দ রাইট (এম সী পি সী আর)না শীন্দুনা এম সী পি সী আর হিয়ারিং রূম হাংদোকপা অমদি চাইল্দ রাইট এন্দ প্রোটেক্সন হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রামদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা জষ্টিস এন কোটিশ্বরনা হায়খি, অঙাংশিংগী ফংফম থোকপশিং লৈরগসু মমা-মপা ওইবশিংনা নীংথিনা খঙদবনা খূদোংচাবা কয়া মাঙহল্লি। অঙাংশিংগী মথক্তা চথবা মীওৎ-মীনৈ থিংবদা ঙসিগী হিয়ারিং রূমনা চাওনা কান্নবা পীগনি। মালেমগী লৈবাক খূদিংমক্তা পীক্লিবা অঙাংশিংগী ফংফম থোকপশিং ফংহন্নবা ফন্দামেন্টেল রাইট অমদি দিরেক্টিব প্রিন্সিপল ওফ ষ্টেট পোলিসিদা ময়েক লানা থল্লি। অঙাংশিংগী মমা-মপা ওইবশিংনা অঙাংশিংগী ফংফম থোকপশিংগী মতাংদা খঙবা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্দ রাইটকী চ্যেরপার্সন সুমতিবালা নিংথৌজমনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট খূদিংমক্তা হাংলিবা কম্মিসনশিংদা কোর্ট রূম থম্লনবা খঙহল্লি। সী পি সী আরনা থল্লিবা চৎন-কাঙলোনশিংগী মতুংইন্না ষ্টেট অসিদা হিয়ারিং রূম অসি হাংদোকপনি। হিয়ারিং রূম অসিনা অঙাংশিংগী ফংফম থোকপশিং ফংহন্নবা হোৎনবদা চাওনা মতেং ওইগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার অমদি ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওঠোরিটিগী মেম্বর সেক্রেটরি আর কে মেমচা, সোসল ৱেলফ্যেরগী সেক্রেটরি জসিন্থা লাজারস, কম্মিসনগী মেম্বর সী ঐচ নবচন্দ্র অমদি প্রোগ্রাম ওফিসর সুমেলসু শরুক য়াখি। টেক্নিকেল সেসনদা মীদিয়া রিপোর্টিং ওন চাইল্দ রাইট ইস্যু এন্দ রিলেটেদ লো হায়বা হীরমদা এম সী পি সী আরগী মেম্বর কে প্রদিপ কুমারনা ৱা ঙাংখি। রোল এন্দ রেস্পোন্সিবিলিটি ওফ পুলিস, পোক্সো এক্ট এন্দ জে জে এক্ট হায়বা হীরমদা সী দব্লিয়ু সী ইম্ফাল ৱেষ্টকী চ্যেরপার্সন রাজকিশ্বরনা ৱা ঙাংখি। সোসল ইস্যুগা মরী লৈনবা নোকফদে ষ্ট্রীট প্লেসু উৎখি।

### স্পেসল জি বি মীটিং

ইম্ফাল, জুন ৩০ : ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়ন (আই এম য়ু ঈ) গী স্পেসল জেনরেল মীটিং অমা ঙসি নুংথিল ওফিস অসিগী রেভিন্যু সেক্সনদা পাঙথোকখ্রে অমদি মীফম অদুদা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে হায়রি। আই এম য়ুগী জেনরেল সেক্রেটরি টিঐচ সোবিতানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মীফম অদুদা লৌখিবা ৱারেপশিংদি, লৈঙাক্লা মমাং চহীগী এপ্রিল ১ দগী ওক্তোবর ৩১ ফাওবগী এরিয়ার চহী অসিগী মার্চ ৩১ দা পীগনি হায়খিবা অদু ঙসি ফাওবা থবক ওইনা পাঙথোকপীদ্রে। লোয়ন লোয়ননা ইমপ্লোয়ীজশিংগী তোলোব চহী অসিগী ফেব্রুৱারি থাদগী ঙসি ফাওবা পীদনা লৈরিবা অসি পীথোকপীয়ু হায়রি। মীফম অসিদা লৌখিবা ৱারেপশিং অসি লৈঙাক্লা থবক্তা ওন্থোকপীদ্রবদি মখা তাবা খোঙজং চঙশিনবা হায়না ৱারেপ লৌখ্রে হায়রি।

# ষ্টাফশিং হাপ্পীয়ু : ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, জুন ৩০ : ইম্ফালগী অকাম্পাৎতা লৈবা আইদেল গার্লস কোলেজ অসি টিচিং অমদি নন-টিচিং ষ্টাফকী মশিং য়াম্না ৱাৎলে। ৱাৎলিবা ষ্টাফশিং অসি অথুবা মতমদা লৈঙাক্না হাপ্পীয়ু হায়না আইদেল গার্লস কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না ফোঙদোকখ্রে।

কোলেজ অসিদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা আইদেল গার্লস কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি শক্লাইবী চোংথামনা হায়, কোলেজ অসিদা টিচিং অমদি নন-টিচিং ষ্টাফ ৱাৎপদা নত্তনা কোলেজ অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরসু য়াম্না ৱাৎলি। লোয়ননা কোলেজ অসিগী ওইনা লৈরিবা লাইব্রেরী অসিদা থল্লিবা লাইরিকশিংসু মতমগা চুন্নদ্রে অমসুং লাইব্রেরিয়ানসু লৈতে।

মমাঙদসু ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা হঞ্জিন হঞ্জিন লৈঙাক্তা কোলেজ অসিগী লৈরিবা অৱাৎপশিং অসি হাপ্পীনবা হায়জখ্রবনি। ৱাৎলিবা ওজাশিং অসিগী মনুংদা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা লৈঙাক্কী এম পি এস সীনা খনবা ওজা ১৩ দিপার্টমেন্ট খরদা মেনশিনখ্রে। লোয়ননা কোলেজ অসিগী ইংলিস দিপার্টমেন্টকী ওজা অমসু চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা রিটয়ার্দ তৌরগনি। কোলেজ অসিদা ইংলিস দিপার্টমেন্টকী ওইনা ইল্লেক্টিব ইংলিস অমসুং জেনরেল ইংলিস হায়না লৈবনিনা হৌজিক লৈহৌরিবা ওজাশিং লৈঙাক্না অতোপ্পা মফমদা ট্রান্সফর তৌবীগনু। মসিগী মতাংদা থা অসিগী ২৬ তা মরী লৈনবা মিনিষ্টর, কম্মিস্নার অমসুং দিরেক্টরদা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না অহৈবা চেরোল পীদুনা খঙহনখ্রবনি।

### হুইয়েন লানপাউগী পাউমী নাওরেম...

*লামায় ১গী মখা...* অমনি। মহাক পীক্লিঙৈদগী থবক থৌরম কয়াদা শরুক য়ারকখি। মসিগী মতুংদা কংলা লানপুং চেফোংগী এদিটর ওইদুনা মীয়ামদা অনৌবা ৱাখল্লোন কয়া পীরমখি। কুমজা ১৯৯৩ দা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা তোখায় তাবগী ৱাখল্লোনগা মরী লৈননা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক অমদা মহাক পুন্সি লোমখি।

মহাক্লা মীয়ামগীদমক তৌরম্বা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক থৌরমশিং অদুবু নীংশিংবা ওইনা নীংশিং মনা অসি পীবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা বি ব্রজকুমার শর্ম্মনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা থোক্লিবা প্রোব্লেমশিং অসিগী মতাংদা লমদম অসিগী জর্নেলিষ্টশিংনা খন্নবা হৌরে। অদুবু সোল্যুসন অমদি পুথোকপা ঙমদে। প্রোব্লেম অমা সোল্যুসন পুরকপা হায়বসি মী অমখক্তনা ঙম্লোই। মসিদা লৈঙাক, জর্নেলিষ্ট, স্কোলার, সোসল এক্টিভিষ্টশিংনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা হোৎনগদবনি। ঐখোয় ইশা ইশাদা লৈরিবা ফত্তবা ৱাখল্লোনশিং থাদোক্তুনা অফবা ৱাখল্লোন ঙাক্তা খনবা তারগদি প্রোব্লেম খুদিংমক্কী সোল্যুসন পুরকপা ঙমগনি অমসুং মণিপুর ঈং-তপ্না পানবা ঙমগনি হায়খি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ইন্স্পেক্ট ওফ নেসনল রেজিষ্টর ওফ সীটিজন (এন আর সী) অপদেসন (অসাম) ওন মণিপুর: এ দাইনামিক; ওফ মাইগ্রেসন হায়বা হীরমদা প্রো. আর কে নরেন্দ্রনা ৱা ঙাংখি।

আর কে সনাতোম্বা মেমোরিএল জর্নেলিষ্ট এৱার্দ, ২০১৮ খূৎশিন্নদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রবা নাওরেম গ্যানন্দ, ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ককচীং ৱাইরি সেনাপটি লৈকায়দা কুমজা ১৯৮০ গী এপ্রিল ১ দা নাওরেম কৃষ্ণমোহোন অমসুং নাওরেম ওংবী সনাহল অনীগী মচা ওইনা তাইবংদা খোঙদারকখি। মচিন-মনাও মঙাগী মনুংদা মহাক্লা ইতোন তোনবনি। নাওরেম গ্যানন্দ কুমজা ২০০৩ দগী ২০০৪ ফাওবা হুইয়েন লানপাউ পাউচেদা করেস্পোন্দেন্ট ওইনা ঈ-পাউগী লম্‌দা খোঙদারকখি। কুমজা ২০০৪-২০০৭ ফাওবা মতমগী য়াকাইরোল পাউচে অদুমক্তদা রিপোর্টর ওইনা থবক তৌরমখি। মদুগী তুংদা কুমজা ২০০৮ দগী হুইয়েন লানপাউ পাউচে অসিদা দিষ্ট্রিক্ট করেস্পোন্দেন্ট ওইনা অমুক থবক তৌবা হৌরকখি। মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি আই পি আর) লোইশঙনা পীবা মণিপুর ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দতা রুরেল রিপোর্টিং ২০১৫ কী মনা ফংখ্রে। কুমজা ২০১৬ তগী অমুক হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী স্পেসল করেস্পোন্দেন্ট ওইনা ঈ-পাউগী থবক্তা মখা তানা থবক তৌরকখি। দি আই পি আর লোইশঙনা পীবা মণিপুর ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ স্পেসল রিপোর্টিং ওন ৱিমেন এন্দ চিলদ্রেন এৱার্দ ২০১৬ অমুক ফংখি। কুমজা ২০১৭ তা সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম), মণিপুর প্রোলেটেরিয়ন পিপলস দেমোক্রেটিক য়ুনিয়ন (এম পি পি দি য়ু) অমদি ষ্ট্রগল কম্মিটি মণিপুর (এস সী এম) অহুম্না পূন্দুনা শেম্বা ওর্গনাইজিং কম্মিটি লময়ানবা ইরাবত ওবজার্ভেসন মন্থনা লময়ানবা ইরাবতকী চহী ১২১ শুবা মপোক নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা ঈ-পাউগী লম্‌দা মথৌ তৌরিবা মীওইশিংদা পীবা স্পেসল কেটেগোরি এৱার্দ ২০১৭ গী মনাসু ফংখ্রে।

# দব্বল পার্কিং তৌদনবা হায় কোর্টনা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস):

নেসনল হায়ৱেশিংদা লোনা য়াদবা মওংদা পোৎচৈ পুশিনবা অমদি গাড়ীনচিংবগী মায়োক্তা থারকপা পি আই এল অমগী হিয়ারিং চথখ্রে। লোয়ননা সেক্রেটরিএট ব্লোকনচিংবা মফম্মশিংদা দব্বল পার্কিং তৌদনবা দিরেক্টিব পীখ্রে।

থা অসিগী ৮ দা মণিপুর হায় কোর্টতা থারকখিবা পি আই এল নম্বর ১ ওফ ২০১৮ কী অরোইবা হিয়ারিং থা অসিগী ৮ দা চথখিবা অদুগী পিটিসনরগী কাউন্সেল এদভোকেট পি প্রেম শর্ম্মনা ওইখি। জষ্টিস এন কোটিশ্বর অমদি জষ্টিস কে ঐচ নোবিন অনীগী অপূনবা বেঞ্চ অনীনা পুন্না পীখিবা দিরেক্টিব অদুদি নেসনল হায়ৱেশিংদা লোনা য়াদবা মওংদা গাড়ী খাম্লম্বদা অহোংবা লৈখ্রবসু সেক্রেটরিএট অমদি নেসনল হায়ৱেগী শরুক্তা চীংমৈরোংগী মফম খরদা পরম কায়না খামজিনবা গাড়ীনা চথোক চৎশিন্দা খুদোংচাদবা থোকহল্লি। নাকল অমরোমদা, এদভোকেট জেনরেলনা সেক্রেটরিএট ব্লোক্কী মমাঙদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা ট্রাফিক পুলিস য়াওনা পরম ঙাক্না গাড়ী খাম্ফম মরাং কায়না লৈতবনা মফম অসিদা রুল থুগায়দুনা খামজিনবা গাড়ীনা চথোক চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লিবা অসি কোক্লবা থবক লৌখৎলি হায়না খুমখি। হৌজিক লৈরিবা সেক্রেটরিএট ব্লোক অসিনা হোংলক্লবা মতমদদি লম্বী চিলহল্লিবা অসি হন্থরক্লগনি হায়বা ৱাফমসু পীখৎখি।

হায়রিবা ৱাফমশিং অসিনা হৌজিক মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অসি য়েংলগা ওথোরিটিশিংনা সেক্রেটরিএট অমদি নেসনল হায়ৱেশিংগী মরক্তা চীংমৈরোংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীয়াম্না অপনবা য়াওদনা চথোক চৎশিন তৌবা য়াহন্নবা, দব্বল পার্কিং তৌদনবা অমদি তঙাইফদনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা দিরেক্সন পীখ্রে হায়রি।

কোর্টকী ওবজার্ভেসন অমদি দিরেক্সন অসিগা লোয়ননা পি আই এল অদু লোইশিনখ্রে হায়রি।

### নুপা ১ শিরগা লৈরম্লে

ইম্ফাল, জুন ৩০:লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লিলোং হাওরৈবী হাঙ্গাম থাবী ষনলম মকোক হায়রগা খঙনবা এরিয়াদা নুপা অমা শিরগা লৈরম্লে। অশিবা হকচাং অদু ঙরাং নুমিদাং পুং ৮.৪৫ রোম তাবদা মনাক নকপা খুঞ্জাশিংনা থেংনরকপদগী পুলিসতা পাউপীদুনা খঙহল্লকখি। অশিবা হকচাং অদু মশক মমিং খঙবা ঙমদবদগী লিলোং পুলিসনা লৌখৎলগা মশক খঙদোক্লবা পোরোমপাৎকী জেনিমসকী মোর্গতা থমখ্রে। লৈখিদ্রবা নুপা অদু য়েংবদা মৈতৈ মাল্লি, চহী ৩০ দগী ৩৫ রোমগী লেঙ্গা মাল্লি। অমুবা লোংপেন্ট অমা শেৎলি। অশংবা মচুগী টি সার্ট অমা লিৎলি।

### উননা য়োম্বা ঙা পুশিল্লকপা থিংখিবদগী...

*লামায় ১গী মখা...* লৈঙাক্লা পাউখুম পীফম থোকই। ইন্দিয়াগী ঙা চাবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরসু মাংজিল থাবা ষ্টেট ওইরি। চহী ১ দা মণিপুরগী মীয়াম্না তঙাইফদনা শীজিন্নরিবা ঙাগী চাং অসি টন লিশিং ৪২ রোমনি হায়না পানৈ। অদুবু, লোকলগী ওইনা পুথোক্লিবা ঙানা টন ৩০,৫০০ রোমতনি। অৱাৎপশিং অসি অন্ধ্র প্রদেশ, ৱেষ্ট বেঙ্গল, অসাম অমসুং ম্যান্মাররোমদগী পুশিল্লকপনি হায়রি।

লুহোং-কৈহোংবা, লান্ন থৌরম, চাকচা-হৈজানবা, নাহুৎ-নারেং তম্বা, মঙানি চাক্কৌবনচিংবগী থৌরমশিংদা মীয়াম্না য়াম্লবা ঙা চানরি। হায়রিবা ঙাশিং অসি নহানমখৈদি মপান্দগী উননা য়োম্লগা পুশিল্লকপা ঙাদা অয়াম্বা তায়নরম্মী। শেন্মীৎলোনগী ফীভম খরমখৈ ফবা কাঙবুগীনা লমদম অসিদগী পুথোকপা ঙা শীজিন্নরম্বনি। অদুবু, হৌজিক্তি নোংজু থা হৌরকপা অমসুং ঙা য়োকপা হৌনবদমক ঙাইরিবনা মপূং ফাবা ঙা কৈথেলদা য়োনবা উদে। রৌ নৎত্রগা মিরগল ফাওবা গ্রাম ৩০০ লূম্বা ঙাশিং কৈথেলদা ফংদে হায়বা য়াই। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা লৈঙাক্লা চাংয়েং অমফাওবা তৌদনা নাগালেন্দদা ঙা য়োনবা থিংলে হায়রগা মণিপুরদসু থিংবগী মতৌ অসিনা মীয়ামদা হায়নিংঙাই লৈতনা খূদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে হায়রি।

### য়ু পি পি কেগী...

*লামায় ১গী মখা...* পি এফকী ওফিসর কয়াসু শরুক য়াখি। মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যের্সকী জোইন্ট সেক্রেটরি (নোর্থ ইষ্ট) সম্ভু সিংহসু শরুক য়াখি। মতমদুদা মখোয়বু তরাম্না ওকখ্রগা ঙসিনা এন আই এনা লেম্না থারক্তবগী থৌওং অসিদা মণিপুরগী মীয়াম পূম্নমক ঙক্লরে। মখোয়না চঙজরকখিবা মতমদা এস এল আর, ঐচ কে-৩ রাইফলস, লেথোদ গন, এম ২২ রাইফলস, এ কে ৫৬ রাইফলস, টাইপ ৮১ রাইফলস, এ ৪ রাইফলস, এ-১ রাইফলস, এম জি এ-২, এম জি এম-২৩ অমসুং আর পি জি কয়ামরুমসু লোয়নরকখি হায়রি।

# ইপসানা মপানগী ঙা য়োলহনখিদ্রে

জিরিবাম, জুন ৩০(ঐচ এন এস) :

ইন্টরনেসনল পিছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট (ইপসা) জিরিবাম ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট কে ইবোমচানা লুচিংবা টিম অমনা জিরি কৈথেলদা মপান লমদগী উননা য়োম্লগা পুশিল্লকপা ঙা য়োলহনখিদ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী মেদিকেল দিরেক্টোরেটনা মপান্দগী উননা য়োম্লগা পুশিল্লকপা ঙাশিংদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা ফোর্মেলিনগী চাং য়াম্না য়াওই হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা ইপসা জিরিবাম ব্রাঞ্চনা জিরি কৈথেলদা অসিগুম্বা মখলগী ঙা য়োনবা য়াহনখিদবনি। হিরম অসিগী মতাংদা ইপসা জিরিবাম ব্রাঞ্চকী জেনরেল সেক্রেটরি এস সুরচন্দ্রনা হায়খিবদা, মপান লমদগী পুশিল্লকপা ঙাদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা ফোর্মেলিন য়াওই হায়বগীদমক লৈঙাক্লা থল্লিবা অথিংবা অসিদা ইপসা জিরিবাম ব্রাঞ্চনসু শৌগৎপা ওইনা জিরি কৈথেলদা দ্রাইব চথবনি।

জিরি কৈথেলগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথখিবা দ্রাইব অদুদা ভাইস প্রসিদেন্ট এম নুংশিথোইবা, জেনরেল সেক্রেটরি এস সুরচন্দ্র, ফাইনান্স সেক্রেটরি জি ইবোহল লোয়ননা এগজিক্যুটিব মেম্বর বোসন মৈতৈ অমদি জি সনাতোম্বসু শরুক য়াখি।

### দ্রগ ময়াম ফাগৎখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* তাবদগী পুং ৪ ফাওবা লিলোং লৈহাওখোং লৈনুং হোটেলদা চঙশিন্দুনা রেদ চথখি। কম্বাইন ফোর্সনা হোটেল অদুদগী রিসকফ ১০০ এম এসকী বোট্টল ২০১৭, এন টেন টেব্লেট ৯০০, এস পি কেপসুল ২০০, দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ৮০০ য়াওনা ফাগৎখ্রে হায়রি। হোটেল অদুগী মপুনা এম দি মুজিবুর এলিয়স অপিকচা (৪৫) কৌই মহাক লিলোং লৈহাওখোং লৈনুং হোটেলদা লৈবনি। কম্বাইন টীমনা দ্রগশিং অদুগী মপু ফাগৎনবা হৌজিক থি হুম্বা কন্না চথরি।

### দিপার্টমেন্ট তরুক্কী হেদশিং অমদি...

*লামায় ১গী মখা...* প্রোফেসর অমর য়ুম্নাম, কম্মর্স দিপার্টমেন্টকী হেদ প্রোফেসর রোবিতা সোরোখাইবম অমসুং মিমসকী দিরেক্তর প্রোফেসর সীঐচ ইবোহলনি। হেদ তরুক অমসুং মিমসকী দিরেক্তরনা রিজাইন তৌরে হায়না লাউথোকখ্রবসু মরি লৈনবা ওথোরিটিদা অইবা চেরোল পীশিনবগী চপ চাবা পাউদি ফঙবা ঙমদ্রি।

[illegible]
ADMISSION OPEN FOR B.Sc.Nursing & M.Sc.Nursing 2018-19
at Gitam University, Vishakhapatnam, A.P
Admission without entrance exam for Manipur students
➡ **B.Sc Nursing**:Fees Rs. 30000/- per year
➡ Food & Accommodation Rs. 30000/- per year
**Eligibility - 10 + 2 PCB 50% (Aggregate)**
➡ **M.Sc.Nursing(NPCC)**:Fees Rs.1,50,000/- p/a
➡ Food & Accommodation Rs.30000/- per year
Spot Admission
*Stipend will be available to all admitted students*
Top Deemed University having own medical college & hospital
**EDUCARE ZONE** Babupara, Near BOSEM Imphal
# +91 8794026277, 9402775931, www.gitam.edu
HL-P/3356/10/6-10/7

TREATED SUCCESSFULLY
[illegible]
মায় পাক্লা লায়েংজরি
[illegible]

PH. ALAM
**PILES :** খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, শৌজ নাম্থবা, ঈ তাবা, মনুং-মপান্দা পোম্বা, মচুম তাবা, নুংশিৎ কাবা, শৌজদা মরেং-মরেং চৎপা, খোঙ হাম্বদা অকনবা অমদি মরু-মরু ওইনা হাম্বা অসিনচিংবা।
**GASTRIC :** চাবা তুমদবা, পুক নুংশিৎ কাবা, পুক নাবা, থিনবা, শাওবা, খোঙ হাম্বদা নুংঙাইতবা অসিনচিংবা।
**STONE CASE :** পুক থিনবা, নাবা, শাবা, খ্বাঙ নাবা অসিনচিংবা।
**ASTHMA AND COUGH:** শ্বর হোনবা ৱাবা, খৌ মনুংদা কঙশিল্লগা লোক খুবা, থবাক ফুল্লগা শ্বর হোনবা ৱাবা, শ্বর মপুংফানা হোনবা ঙমদবা অসিনচিংবা।
**SINUS :** নাতোন মরেং মরেং চৎপা, নাতোন্দা মহি তাবা, নাতোন ফুনবা, কোক চিকপা, হকথি তোয়না খনবা অসিনচিংবা।
**LIVER, JAUNDICE, SUGAR :** লিভর জোন্দিস অমসুং সুগর প্রোব্লেম্ন চিংবা লায়েংজরি।
**BODY PAIN (PARALYSIS) :** খোঙ-খূৎ হকচাংনচিংবা শিথবা, হকচাং শিন-থুংনা চিকপা নাবা, তাং-তাং চিকপা, শীংলি-শীংনাও শোনবা, কোক চিকপা নাবা, পোম্বা, শারগা পোম্বা অসিনচিংবা লায়না কয়া মায় পাক্লা লায়েংজরি।
1. NEXT TO IMPHAL BAZAR COMMUNITY CREMATION GROUND MINUTHONG
2. KAKCHING BAZAR, PHUNGA SHOPPING COMPLEX, 1ST FLOOR NEAR TRAFFIC POINT, KAKCHING DIST.(WEDNESDAY & THURSDAY) OPEN
MOBILE NO.: 8787579776 / 8259968220
HL-P/1693/21/6-19/7(Alt.